# এয়র ট্রাভেল্লরশিংগী মশক খঙদোকপা ঙমহনগদৌরিবা দিজি যাত্রা গুৱাহাটি এল জি বি আই এয়রপোর্টতা লোঞ্চ তৌখ্রে



**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** এয়র ট্রাভেল্লরশিংদা পেপরলেস বোর্দিংগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তা অসামগী গুৱাহাটিতা লৈবা লোকপ্রিয়া গোপিনাথ বোরদোলোই ইন্টরনেসনেল (এল জি বি আই) এয়রপোর্টতা দিজি যাত্রা লোঞ্চ তৌখ্রে।

দিজি যাত্রা অসি অহানবদা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা দেল্লি, ভরানাসি অমসুং বেঙ্গুলুরুগী এয়রপোর্টশিংদা লোঞ্চ তৌখিবনি। দিজি যাত্রা অসি ফেসিএল রেককনিসন টেক্নোলোজি (এফ আর টি) দা য়ুম্ফম ওইবা এয়রপোর্টশিংদা পেসেঞ্জরশিংবু খুদোংচাদবা অমত্তা থোকহন্দনা কন্টেক্ট তৌনদুনা প্রোসেস তৌবা য়াহন্নবা পুথোরকখিবা মোবাইল এপ্লিকেসনদা য়ুম্ফম ওইবা ফেসিলিটি অমনি।

যাত্রা অসিনা ট্রাভেল্লরশিংবু ফেসিএল ফিচরশিং শীজিন্নদুনা মখোয়গী মশক অমদি ট্রাভেলগী অকুপ্পশিং খঙদোক্লবা চে চাং য়াওদনা অমদি কন্টেক্ট তৌনদনা এয়রপোর্টশিংদা তোঙান তোঙানবা চ্যেক পোইন্টশিং লানবা য়াহল্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসন (এম ও সি এ) না কোওর্দিনেট তৌবা ইনিসিএটিব অমা ওইরিবা দিজি যাত্রা অসি লৈবাক অসিগী এয়রপোর্ট ১২ দা চৎনহল্লি। হৌজিক ইনিসিএটিব অসি হৌজিক লৈরিবা টর্মিনেল অদুগী গেট অমদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি। এয়রলাইন্স অনী- ইন্দিগো অমসুং অকাসা এয়রনা ফেসিলিটি অসি শীজিন্নরে। গুৱাহাটিদা লৈবা এল জি বি আই এয়রপোর্টকী চীফ ওপরেস্নেল ওফিসর উটপাল ভারুৱানা হায়রিবদি সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা অতৈ এয়রলাইন পুম্নমক্না মসিগী ফেসিলিটি অসি এপ্লাই তৌগনি। মতুং তাবদা ফেসিলিটি অদু অনৌবা টর্মিনেল অদুগী গেট তরুক্তা শীজিন্নগনি হায়না বারুৱানা মখা তাখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ইন্দিয়া অসি অসিগুম্বা অনৌবা ইনিসিএটিব অমা হৌদোকপদা লময়াল্লিবা লৈবাক্নি। মালেমগী অতৈ মফমশিংদা এয়র ট্রাভেল্লরশিংগী ফেসিএল রেককনেসনগী ওইবা অসিগুম্বা সিষ্টেম লৈতে। দিজি যাত্রাগী মখাদা এয়র পেসেঞ্জরশিং এন্ট্রি পোইন্ট চ্যেক, সেক্যুরিটি চ্যেককুম্বা চ্যেক পোইন্টশিংদা অমদি এয়রক্রাফট তোংবদা ফেসিএল রেককনেসন সিষ্টেম অমদা য়ুম্ফম ওইরগা ওটোমেটিক ওইনা প্রোসেস তৌগনি।

দিজি যাত্রানা পেপরলেস ট্রাভেল খুদোংচাহনবগা লোয়ননা পোইন্ট কয়াদা আইদেন্টিটি চ্যেকশিং লৈহল্লরোই। দিজি যাত্রা অসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা পায়খৎলকপা এয়র ট্রাভেলগী অনৌবা ইনিসিএটিবনি হায়খি।

# অলফা অমসুং সেন্টর ন্যু দেল্লিদা ৱারী শানখ্রে



**গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** সেন্টর অমসুং অসাম গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা শগোলশেল অমসুং ইরাই নুমিত্তা ন্যু দেল্লিদা য়ুনাইটেদ লিভরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা) গী ৱারী শানবা পান্থা ফেক্সনগা অনৌবা রাউন্দগী পিছ টোল্ক পাঙথোকখ্রে। অদুম ওইনমক ৱারী শানবা অদুদা য়ানবা অমা পুরকপদি ঙমখিদে হায়রি।

মসি অলফানা অসামগী য়েলহৌমীশিংগী পোলিটিকেল অমসুং কন্সটিট্যুস্নেল সেফগার্দশিংগী দিমান্দ থুংহন্দে হায়রদুনা হৌখিবা চহীগী মেদা সেন্টরগী দ্রাফট পিছ প্রপোজেল অমা রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা রাউন্দগী পিছ টোল্কনি।

মেম্বর মরিগী অলফাগী টিম অদু মসিগী চ্যেরমেন আর্বিন্দা রাজ খোৱানা লুচিংখি অমসুং মদুদা জেনরেল সেক্রেটরি অনুপ চেত্রিয়া, সাসদর চৌধরি অমসুং রাজু বরৱা য়াওখি। ৱারী শানবা অদুদা শরুক য়াখিবা গভর্ণমেন্টগী টিম অদু ইন্টর লোক্যুটর একে মিশ্রানা লুচিংখি অমসুং মদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) গী ওফিসলশিং য়াওখি।

দ্রাফট পিছ দিল অদু কুমজা ২০১১ দা সবমিট তৌখিবা অলফাগী পোইন্ট ১২ গী চার্টর ওফ দিমান্দদা য়ুম্ফম ওইবনি। পোইন্ট ১২ গী দিমান্দশিং অদুদা কন্সটিট্যুস্নেল অমসুং পোলিটিকেল এরেঞ্জমেন্টশিং লৈহনবা অমসুং রিফোর্মশিং লাকহনবা, আইদেন্টিটি প্রোটেক্ট তৌবা অমসুং অসামগী লোকেল ইন্দিজিনস মীয়ামগী মেটরিএল রিছোর্সশিংগা লোয়ননা য়েলহৌমীশিংদা লমগী রাইট শীজিন্নবা য়াওনা লম অমসুং নেচরেল রিছোর্সশিংগী কান্নবা ফংহনবা য়াওরি।

দ্রাফট এগ্রিমেন্ট অদুদা অলফানা দিমান্দ তৌরিবা য়েলহৌমীশিংগী লমগী রাইট য়াওরবসু মদুদা পোলিটিকেল ইস্যু অমা ওইরিবা ইন্দিজিনস মীয়ামগী পোলিটিকেল অমসুং কন্সটিট্যুস্নেল রাইটশিং সেফ গার্দ তৌনবগী ৱাফমদি য়াওদে।

# ‘নেসনেল হায়ৱে থিংলকপদা তুমিন্না লৈশিল্লবদি সেন্টরসু ব্লোকেদ শৌগৎপা কাঙবুগা মান্নরে হায়না লৌগনি’

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) :** কন্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না নেসনেল হায়ৱে থিংলকপদা সেন্টরনা তুমিন্না লৈশিল্লবদি সেন্টরসু ব্লোকেদ শৌগৎপা কাঙবুগা মান্নরে হায়না লৌগনি হায়না অৱাং লৈকিন্থৈবী পিছ কন্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কন্মিটি অসিনা কুকিনা য়োল্লুচো হায়না শিন্নরকখিবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎলে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অৱাং লৈকিন্থৈবী পিছ কন্মিটিনা শীন্দুনা অৱাং লৈকিন্থৈবীদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কন্মিটি অসিগী এদভাইজর চিংশুবম জয়কুমারনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এদভাইজর জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নোংয়াই পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা লম্বীদা লাকখিবা দিজল ওটো রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০৪ জি ৫০১০ অসি মৈরা পায়বীশিংনা চেক তৌবদা লাইৱা হাপ্পা বোড়া ১৪ অমদি চুজাক বোড়া অমগা য়াওরমখি। পোৎলমশিং অদুবু পুরকখিবা গাড়ী ড্রাইভর অদুনা কাংপোকপীগী কলাপহারদগী হৌজিক্না কংলাতোংবীদা ভরাদা লৈরিবা য়াম বহাদুর কামর অপোকপা অমর বহাদুর কৌই।

ড্রাইভর অদুদা পোৎলমশিং অদু কদায়দগীনো হংবদা কংলাতোংবীদগী কুকিনা য়োল্লুনবা হায়রকপদগী পুরকখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি। মদুদগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। পোৎলমশিং অদুবু পুরকপা গাড়ী অমদি মীওইশিং কংলাতোংবীগী মরী লৈনবা ক্লবশিং কৌদুনা খুৎশিন্নখ্রে। অদুবু পুরক্লিবা পোৎলমশিং অদুদি রিলিফ কেম্পশিংদা য়েন্থোক্লগনি হায়খি।

জয়কুমারনা মখা তানা হায়, কোটুনা নেসনেল হায়ৱেশিং ঙাইহাক লৈতনা থিংবগী থৌওং চত্থরকপা অসি কন্দেম তৌই। মসিদা সেন্টরনা তুমিন্না লৈশিল্লবদি সেন্টরনসু নেসনেল হায়ৱে থিংবা মীওইশিং শৌগৎলে হায়না লৌগনি। অথুবদা নেসনেল হায়ৱে থিংলিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু।

অমরোমদা, কার্ফিয়ু হাংদোকপগী মতম লোইরবা মতুং অহিং নোংয়াইদা অনা অয়েক, মৈহৌ লাংপোক অমদি তঙাই ফদবা মীওইশিং চত্থোক চৎশিন তৌবা নত্তনা মরম চাদনা চত্থোক চৎশিন তৌরিবশিং লেপ্পীয়ু। মসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা মতমদা লৈকায় অসিনা থৌদাং লৌরোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# চীংদা শারিবা বঙ্কর লৌথোক্ত্রিবসি ওক্তোবর থাদা পোপ্পি লোক্লবনি ঃ এম তোম্বী



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) :** চহি ৩০০০ গী পুৱারী লৈজরবা ইরমদম মণিপুর অসিদা ঙরাং নহান্তা চংলকপা চিন-কুকিশিংনা অরানবা পুৱারী কয়া শেমজিন শাজিল্লগা লমদম অসিদা মপু শানবা কন্না হোৎনরিবা অসি কৈদৌঙৈদা ওইথোকপা য়ারোই হায়না শিভ সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ডা. এম তোম্বীনা ঙসি লম্বোই খোংনাংখোংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংদা ফিরোল অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা হৌখিবা মে ৩ দা মণিপুরগী চীংগা তাইনবা তম্পাক্কী মৈতৈ খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চত্থবা অমদি মৈ থাদুনা মীচম মীয়ামগী লম-থুম কয়া মাঙহন তাকহনবদা নত্তনা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখম্নখ্রে। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থম্লম্বা লমখৈগী মনুংদা শিংনরকপদা নত্তনা ওইদ-পাদবা ময়াম অমা পুথোক্লগা অমদি হায়জিল্লগা অশেংবা ইন্দিজিনস ওইনবা হোৎনবা য়াম্না ইকাইনিংঙাইনি।

তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া সেন্তরদা কুকিশিংনা দিমান্দ তৌরি। মখোয়না হোমলেন্দগী দিমান্দ অমুক হায়, তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ, য়েলহৌমীনি অমুক হায়, তোঙানবা দি জি নচিংবদা নত্তনা লুপা ক্রোর ৫০০ দিমান্দ তৌরিবা অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্নি হায়দুনা দিমান্দ তৌবদি য়াই অদুবু পীবা য়াই য়াদে খল্লগা হায়বীয়ু।

ম্যান্মারদগী লাক্লগা মীগী য়ুম মৈ থাবা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা তান্থোক্লগা লম মুন্দুনা লৌগে হায়রিবা অসি য়াম্না ইকাইনিংঙাইনি। মীগী য়ুম মৈ থারগা দোজরনা অমুক তেমখাইরগা হান্নগী লম মমিং ওস্থোক্তুনা নৌনা কুকিলেন্দ থোনজিন্দুনা লৈবাক অসি লোলৈতবগুম মখোয়না তৌনিং তৌনিংবদা তৌরিবা অসি লৈঙাক্লসু মখোয়বু ফাগৎলগা অকনবা চৈরাক পীয়ু। চীংগী এরিয়াদা পাকসন্না উমং ৱামং কোকথোক্লগা পোপ্পি প্লান্টেসন তৌরিবা অসিনা ঐখোয়গী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদবা নহাশিং হাৎনবা হোৎনরিবনি।

মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থারিবা অসি চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা চিফ মিনিষ্টরগী য়ুমনি খল্লগা থারিবরা। হৌজিক চীংগী এরিয়াদা বঙ্কর শারিবা অসি ওক্তোবর থাদা পোপ্পি লোক্লবনি হায়না চার্জ তৌরি। ঐগী য়ুমদা ইচা শিদ্রি হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্লরগা লমদম অসিদা ইং তপ্পা পুরক্লবগীদমক ঐখোয় ময়াম অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী মতম য়ৌরে হায়খি।

# ‘মেঘালয়াদা ওইল পাম কল্টিভেসনগী থৌরাং লৈতে’

**শিল্লোং, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** মী অয়াম্বনা য়ানদবনা মরম ওইদুনা মেঘালয়াদা ওইল পাম কল্টিভেসন য়ানবগী থৌরাং লৈতে হায়না ষ্টেট অসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অম্পারে লিন্দোনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর লিন্দোনা হায়খি, মেঘালয়াদা ওইল পাম কল্টিভেসন চত্থবগী মহুত্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংবু এক্সপোর্ট অমসুং ভেল্যু এদিসনগী খুত্থাংদা মখোয়গী পোথোকশিংদগী শেল হেন্না ফঙহন্নবা মতেং পাঙবদা মীৎয়েং থল্লগনি।

বিজিনেস লাইননা মিনিষ্টর অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঐখোয়না ওইল পাম কল্টিভেসনদা মীৎয়েং থম্বা লৈতে। খন্ন-নৈনবা হৌরকখিবদা কুমজা ২০২১ অমসুং ২০২২ দা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা ফাওবা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা কন্না য়েৎপা লৈখি। খন্নখিবা অদুগী হিরমদি মেঘালয়ানা ওইল পাম কল্টিভেসন চত্থগদ্রা নত্ত্রগা মসিবু করিমত্তা খন্নররোইদ্রা হায়বসিনি।

গভর্ণমেন্ট অসিগী হৌজিক লৈরিবা টার্ম মনুংদা ওইল পাম কল্টিভেসন য়াহনবগী ইস্যু অসি থবক ওইনা পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

পনবা য়াবদি, চহী ১৫ হেনবগী মমাঙদা ওইল পাম কল্টিভেসন য়াহন্দুনা মিজোরামদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অসিগুম্বা অহানবা ষ্টেট ওইখি।

অৱাং নোংপোক লমদম অমদি অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিংদা অখন্ননা মীৎয়েং থমদুনা সেন্টরনা ২০২৫-২৬ ফাওবগী মনুংদা অহেনবা লম হেক্তর লাক্ষ ৬.৫ দা ওইল পাম কল্টিভেসন চত্থবগী পান্দম থল্লিবনি।

# বোর্দরদা ৱাইল্ডলাইফ স্মগ্লিংগী থৌরাং মায় পাকহনখিদ্রে



**শিলচর, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী):** মিজোরাম বোর্দরগা নক্লবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্তকী ধোলাইদা লন্নক্কী শা উচেকশিং স্মগল তৌনবা হোৎনবগী থৌরাং অমা পুলিসনা মায় পাকহনখিদ্রে।

মপানদগী পাইরকপা উচেক্কী স্পেসিস অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন পাল্ম কোকেটু তরুক অসামগী দোলাখল বোর্দর আউট পোষ্টকী পর্সনেলশিংনা ৱাইল্ডলাইফ ট্রাফিক্করশিংগী মখুত্তগী রেস্ক্যু তৌখি। হৌখিবা নোংমাইজিংগী অঙনবদা ৱাইল্ডলাইফ ট্রাফিক্করশিং অদুবু পুলিস পর্সনেলশিংনা ইন্টরসেফ তৌদুনা উচেকশিং অদু মখোয়গী মখুত্তগী কনখিবনি।

পুলিস চঙশিনখিবদা ট্রাফিক্করশিং অদু উচেকশিং অদুবু থল্লিবা কেজশিং হুন্দোক্লল্লগা চেনখিবদগী পুলিসনা মীফা মীপুন অমত্তা পাঙথোকপা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, ব্লেক মার্কেটতা ওষ্ট্রেলিয়ন পাল্ম কোকেটু অমগী মমল অসি লুপা লাক্ষ ২০ লোমনি। অসুম্না ওষ্ট্রেলিয়ন পাল্ম কোকেটু তরুক্তগী চাওরাকপা ভেল্যু অসি ব্লেক মার্কেটতা লুপা ক্রোর অমা হেনবা য়াই হায়না থাজনরি।

স্মগ্লরশিংগী মখুত্তগী কনখিবা উচেকশিং অদু মিদ্দল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা লোন্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়না পুলিসনা থাজরি। উচেকশিং অদু অসামগী জু ওথোরিটিশিংদা শিন্নরগনি।

## CROSSWORD-3948



### ACROSS

1. The wife or widow of a duke(7)
5. Nutmeg or cinnamon, say(5)
8. Aroma(5)
9. Savoury pear-shaped fruit(7)
10. Foes(7)
11. Loud(5)
12. Whole(6)
14. Spectres(6)
18. Asian country(5)
20. Adoration(7)
22. Someone else(7)
23. Entertain(5)
24. Portents(5)
25. Sorrow(7)

### DOWN

1. Bishop's district(7)
2. Not far off(5)
3. Sooner(7)
4. Thinly scattered(6)
5. Displayed(5)
6. Letters in sloping type(7)
7. Hard dark wood(5)
13. Immature toad or frog(7)
15. Oldest university in the USA(7)
16. Royal Engineers(7)
17. Fencers' weapons(6)
18. US state between Oregon and Wyoming(5)
19. Greenfly(5)
21. Residential building(5)

**Solution 3947**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| K | E | P | T | | A | M | B | I | T | I | O | N |
| A | | A | | P | | E | | N | | N | | U |
| N | O | S | T | R | U | M | | F | A | C | E | D |
| G | | T | | I | | O | | E | | I | | E |
| A | M | A | S | S | | R | A | R | E | S | T | |
| R | | | | O | | Y | | | | O | | A |
| O | C | E | A | N | S | | C | H | E | R | U | B |
| O | | M | | | | D | | U | | | | U |
| | G | E | M | I | N | I | | M | O | R | O | N |
| A | | R | | D | | M | | B | | E | | D |
| L | E | A | V | E | | S | U | L | T | A | N | A |
| S | | L | | A | | U | | E | | L | | N |
| O | L | D | F | L | A | M | E | | O | M | I | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5246

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | 6 | | | | 4 | |
| 1 | | | 4 | | | 3 | | 7 |
| | | 4 | | 7 | | | | |
| 5 | | | | | 9 | | 1 | 6 |
| | | | | 2 | | | | |
| 2 | 9 | | 3 | | | | | 4 |
| | | | | 9 | | 4 | | |
| 6 | | 7 | | | 5 | | | 9 |
| | 8 | | | | 4 | 6 | | |

### Solution-5245

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 2 | 6 | 7 | 8 | 5 | 9 | 3 | 1 |
| 7 | 1 | 8 | 3 | 2 | 9 | 5 | 6 | 4 |
| 3 | 5 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 | 8 | 2 |
| 6 | 7 | 2 | 9 | 5 | 8 | 1 | 4 | 3 |
| 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 1 | 6 | 5 | 9 |
| 1 | 9 | 5 | 6 | 3 | 4 | 8 | 2 | 7 |
| 9 | 4 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 1 | 8 |
| 5 | 8 | 7 | 4 | 1 | 2 | 3 | 9 | 6 |
| 2 | 6 | 1 | 8 | 9 | 3 | 4 | 7 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

### BRAHMAPUTRA BOARD RECRUITMENT 2023 FOR 52 ASSISTANT, ACCOUNTS OFFICER AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -

Brahmaputra Board Assistant, Accounts Officer and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Assistant, Accounts Officer and Various Posts in Brahmaputra Board. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 3rd October 2023. Candidates can check the latest Brahmaputra Board Recruitment 2023 Assistant, Accounts Officer and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the brahmaputraboard.gov.in/ recruitment 2023 page.
Brahmaputra Board Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ brahmaputraboard.gov.in/. Brahmaputra Board selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of brahmaputraboard.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Assistant, Accounts Officer and Various Posts
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 284127 Assam
Last Date: 3rd October 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 52 Posts
Educational Qualification: The Details of Eligibility Criteria, Pay, Number of Posts, Application Form etc are available in the Board website https://brahmaputraboard.gov.in/.
Pay Scale: INR Level-13/- Per Month
Age Limit: Maximum 56 Years.
Selection Procedure: please refer to official notification.
Application Fee: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://brahmaputraboard.gov.in/vacancy-for-various-post-on-deputation/, This Job Source is Employment News 19-25 August 2023, Page No.26
Important Dates:
Published on: 18th August 2023
Last date for application is: 3rd October 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NIT NAGALAND RECRUITMENT 2023 FOR TECHNICIAN, TECHNICAL ASSISTANT

Vacancy Circular No: NIT-N/RECT-NT/2023/02
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Technician, Technical Assistant Recruitment 2023
Advertisement for the post of Technician, Technical Assistant in the National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st August 2023. Candidates can check the latest National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment 2023 Technician, Technical Assistant Vacancy 2023 details and apply online at the www.nitnagaland.ac.in recruitment 2023 page.
National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nitnagaland.ac.in. National Institute of Technology Nagaland (NIT Nagaland) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed in Nagaland. More details of www.nitnagaland.ac.in recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Technician, Technical Assistant
Job Location:
Chumukedima, Dimapur, 797103 Nagaland
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification:
Technician: Senior secondary (10+2) with Science from a Government recognized board with at least 60% marks Or Senior secondary (10+2) from a Government recognized board with at least 50% marks and ITI Course of one year or higher duration in appropriate trade. Or Secondary (10) with at least 60% marks and ITI Certificate of 2 years duration in appropriate trade. Or Diploma in Engineering of three year's duration in relevant field from a Government recognized Polytechnic / Institute.
Technical Assistant: First Class or equivalent Grade in B.E. / B.Tech./ MCA in relevant subject from a recognized University / Institute. Or First Class Diploma in Engineering in relevant Field with excellent academic record Or First Class Bachelor's Degree in Science from a recognized University or Institute Or Master's Degree in Science from a recognized University or Institute with at least 50% marks or equivalent grade.
Pay Scale: INR 21700-35400/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: The Application Form should be enclosed with prescribed application fee of Rs.500/- (Five Hundred Only) for General/ OBC category in the form of Demand Draft/ Indian Postal Order in favour of IRG, NIT Nagaland payable at State Bank of India, Chumukedima Branch, Dimapur. However, SC/ST/ DIVYANG (PH) candidates are exempted from payment of the prescribed fees subject to submission of relevant certificate issued by the competent authority.
Selection Procedure: please refer to official notification
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.nitnagaland.ac.in/index.php, This Job Source is Employment News 12-18 August 2023, Page No.04.
Important Dates:
Published on: 10th August 2023
Last date for application is: 31st August 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




